SONY YAOSHANG OFFER
KLV-24P413D ₹ ~~15,600~~ = ₹ 13,990
KLV-32R202F ₹ ~~23,850~~ = ₹ 20,490
KLV-32R302F ₹ ~~26,600~~ = ₹ 23,290
KLV-32R422F ₹ 30,300 = ₹ 27,690
KLV-40R252F ₹ ~~43,900~~ = ₹ 38,790
KLV-40R352F ₹ ~~47,900~~ = ₹ 42,790
KLV-43W662F ₹ ~~56,900~~ = ₹ 50,990
KLV-50W662F ₹ ~~79,900~~ = ₹ 64,990
SONY HOUSE
VIDEOCON HOUSE
PAONA BAZAR, IMPHAL

ꯅꯍꯥꯔꯣꯜꯒꯤ ꯊꯧꯗꯥꯡ

নহারোলগী থৌদাং

A newspaper dedicated to the cause of Human Rights

TATA SKY FREE
32' LED + TATA SKY
(3 YRS WARRANTY) (MONTHLY RECHARGE ₹ 153)
₹ 12500
INTEX
WASHING MACHINE
6.2 KG = ₹ 8000
7.2 KG = ₹ 9200
7.5 KG = ₹ 9800
8KG = ₹ 10300
7.5KG SPL. GODREJ = ₹ 11300
8.5KG GODREJ = ₹ 13200
REFRIGERATOR
180 LT INTEX = ₹ 10200
185 L GODREJ ₹ 13400 = ₹ 10600
190 LT SAMSUNG = ₹ 11000
190 LT 3 STAR Godz = ₹ 12800
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

DRUGS FREE MANIPUR

অৱাং খুনৌদা লৈবা য়ুনিক গোল্ডন ক্রেদল স্কুলদা 'ড্রগ এব্যুস এন্দ নো স্মোকিং' হায়বসিগা মরী লৈননা চৎখিবা রেল্লি

সলাইগী স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদমিনা জয়পুর খুন্নৌদগী মচিন মনাও ২না ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবা লেমনা মহৈ মশিং তমহন্নবগী খুদোংচাবা পীবা

২৪ শুবা চহি, ইশু ২৬৬ | www.naharolgithoudang.in | ইম্ফাল, মার্চ ১৪, ২০১৯ ইং, লমতাগী ৮নি পানবা, শগোলশেল | RNI 66117/96 Postel Regd. No. MNP | মমল লুপা ৩.৬০

বিজেপিনা আউটরদা জাতি পুন্নমক্না য়াবা মীরেপ পুথোক্লবা হোৎনরি কংগ্রেসকী ইন্নরদা ও নবকিশ্বর মীরেপ ওইরবা য়াই

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ ঃ লাক্লিবা এপ্রিল ১১ অমসুং ১৮ দা মথংশিংনা আউটর অমসুং ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সট্যিুয়েন্সিগী পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইগদবশিংগী মমিং লাওথোক্লবা হৌজিক বিজেপি অমসুং কংগ্রেস অনিমক্না সেন্টরগী লুচিংবশিংগা কোক চুংশিন্নদুনা খন্নবগী থবক চথরি। বিজেপিগী ওইনা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিটতা নাগা /কুকি /মৈতে /মৈতে পাঙল য়াওনা জাতি কাংলুপ পুন্নমক্না য়াবা মীরেপ পুথোক্লবা হোৎনরি। কংগ্রেসকী ওইনা ইন্নর লোক সভা সিটতা মণিপুরগী হান্নগী চিফ সেক্রেটরি ওইরম্বা রিটায়ার্দ আইএএস ও নবকিশ্বরনা মীরেপ ওইরবা য়াই।

লোক সভা মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা ইন্নর অমসুং আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সট্যিুয়েন্সি সিট অনিমক্তা বিজেপি অমসুং কংগ্রেস অনিমক্না মখোয় মখোয়না থাদোকপা মীরেপশিং মায় পাকহন্নবা মীয়ান্না য়াবা শুংশোই শোইদনা মায় পাক্কনি হায়না পানবা মীরেপশিং পুথোক্লবা হোৎনরি।

বিজেপি অমসুং কংগ্রেস অনিমক হৌজিক ইন্নর অমসুং আউটর সিট অনিমক্তা কনাবু মীরেপ ওইনা থাদোক্লগা ফগদগে হায়বগী মতাংদা কোক চিকপদি ওইনরি। মরুওইনা পার্টি অনিমকনা মীরেপ থাদোকপদা হেন্না কোক চিকপা ওইরিবা অসি ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি সিটতনি হায়রি। বিজেপিনা করিগুম্বা আউটর সিটতা কুকি অমবু মীরেপ ওইনা থাদোক্লগদি কংগ্রেসনা নাগা মরক্তগী অমবু পার্টি অসিগী মীরেপ ওইনা থাদোকপা পাল্লি।

পোলিটিকেল এনালাইসিসশিংগী মত মতুংইন্না লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিদা বিজেপি অমসুং কংগ্রেস অনিমক্না মখোয়গী পার্টিদা টিকেট তন্নরিবশিংগী মরক্তগী কুকিদা ঙাক্তা মীরেপ ওইনা থাদোক্লগনা আউটরগী সিটতা এনপিএফকী মীরেপনা মায় পাক্লবা য়াই হায়বগী কম্মেন্টশিং ফোঙদোক্লবসু লৈরি।

বিজেপিগী ওইনা মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী পার্লিয়ামেন্টরি সিট ২৫ দা বিজেপি অমসুং চুংশিন্নবা পার্টিশিংনা য়াল্লা চাওনা মায় পাকপা ঙম্ববা ঙসি গুৱাহাটিদা বিজেপি অমসুং চুংশিন্নবা পার্টিশিংগী ওইবা নোর্থ ইষ্ট দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স(নেদা) গী মীফম পাঙথোকপগা লোয়ননা কংগ্রেসপু মায়থিবা পীদুনা অমুক হন্না ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার সেন্টরদা লাকহন্নবগী ৱাফম য়ানখ্রে হায়রি। নেদাগী মীফম অদুদা বিজেপিগী মায়কৈদগী মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং বিজেপি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা রাজ্য সভাগী এমপি ক্ষেত্রিময়ুম ভাবনন্দ শরুক য়ারি। এনপিপিগী ওইনা পার্টিগী প্রসিদেন্ট থাংমিনলেন কিপগেন অমসুং পার্টি অসিগী লেজিসলেচরগী লুচিংবা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারসু শরুক য়াখি। বিজেপিগী নেস্নেল জেনরেল সেক্রেটরি রাম মাধব, নেদাগী কনভেনর অসামগী হেল্‌ঠ মিনিষ্টর ওইরিবা হেমন্ত বিশ্বা শর্ম্মা, অসামগী চিফ মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱাল, মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন, মেঘালায়াগী চিফ মিনিষ্টর ওইরিবা এনপিপিগী প্রসিদেন্ট কোনরাদ সংমা, অরুনাচল প্রদেশকী চিফ মিনিষ্টর প্রেমা খন্দু, নেস্নেল দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিব পার্টি (এনদিপিপি) গী লুচিংবা ওইরিবা নাগালেন্দগী চিফ মিনিষ্টর নৈফিও রিও, অসাম গনা পরিষদ(এজিপি) গী লুচিংবা অতুল বোরা অমসুং কেশভ মহান্তনচিংবা য়াওনা ফমখিবা মীফম অদুনা নোর্থ ইষ্টকী নেদাদা য়াওরিবা পার্টিশিং বিজেপি, নেস্নেল পিপলস পার্টি(এনপিপি), এনদিপিপি, এজিপি অমসুং বিপিএফনা অসাম, নাগালেন্দ, মেঘলায়া, মণিপুর অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা পুন্না মীখল থেংনদুনা কংগ্রেসপু মায়থিবা পীবা হায়না অমত্তা ওইনা য়ানখি।

ত্রিপুরাদা বিজেপিনা ইন্দিজিনস ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা (আইপিএফটি) কা এল্লাইয়েন্স পার্টনর শেমদুনা পুন্না মীখল থেংনবা হায়না য়ানখি। অদুগা সিক্কিমদনা বিজেপিনা সিক্কিম এসকেএমগা এল্লাইয়েন্স শেমদুনা মীখল থেংনদুনা চাওনা মায় পাক্লবগী ৱাফম য়ানখ্রে।

নেদাদা য়াওরিবা পার্টি কয়াগী অপুনবা ঙসিগী মীফম অদুদা নেদাদা য়াওরিবা পার্টিশিংগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী প্রসিদেন্ট কয়াসু শরুক য়াখি। নোর্থ ইষ্টকী অপুনবা লোক সভা সিট ২৫ গী মনুংদা সিট ২২ দা বিজেপি অমসুং চুংশিন্নরিবা নেদাগী পার্টিশিংনা মায় পাক্লবা হোৎনবা অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার সেন্টরদা অমুক হন্না লাকহন্নবা হোৎনমিন্নবা হায়না ঙসিগী মীফমনা অমত্তা ওইনা য়ানখি হায়রি।

নাকল অমরোমদা ঙসি বিজেপিগী নেস্নেল জেনরেল সেক্রেটরি রাম মাধব অমসুং বিজেপিগী জোনেল ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি অজয় জমৱাল য়াওনা বিজেপিগী নোর্থ ইষ্টকী প্রসিদেন্টশিং অমসুং বিজেপিগী চিফ মিনিষ্টর ওইবশিং য়াওনা পার্টি অসিগী টিকেটকী মতাংদা কুপ্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। বিজেপিগী নেস্নেল জেনরেল সেক্রেটরি রাম লালসু হয়েং গুৱাহাটিদা লাক্কুনা পার্টি অসিগী ওর্গনাইজেসনগী মীফম অমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নেদাগী মীফমনা চপ চাবা সিট শিয়ারিংগী মতাংদা লৈখাই তাবা ঙমদ্রবসু লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিদা নেদাদা য়াওরিবা পার্টিশিংনা পুন্না কংগ্রেসপু মাইথিবা পীবা হায়না য়ান্নখ্রে হায়রি।

নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট ৮ গী অপুনবা লোক সভাগী সিট ২৫ অসিদা বিজেপি অমসুং চুংশিন্নরিবা *(মখা লমায় ৫দা)*

এনএসসিএন (আইএম)না কিদনেপ তৌখিবা নুপী ১ এআরনা রেসক্যু তৌখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ ঙরাং নুংথিল অথেংবদা এ আর চান্দেল বট্টালিয়নগী রেস্পোন্স টিম্না এন এস সি এন (আইএম) না কিদনেপ তৌখিবা নুপী অমা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী নিয়ু ৱাংপরাল ভিল্লেজতগী রেসক্যু তৌখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নবা এন এস সি এন (আই এম) গী কাদর অনি ফারে হায়রি।

এ আরগী পাউ অসিনা মখা তানা হায়রিবনা ঙরাং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী থল্লাখুরেল ভিল্লেজতগী কিদনেপ তৌখিবা নুপী অমা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা নিয়ুৱাংপরাল ভিল্লেজগী স্কুল বিল্ডিংদা মমীৎ পুনশিল্লগা এন এস সি এন (আই এম) গী খুৎলাই পায়বা কাদর অনিগা লোয়ননা লৈরে হায়না পাউঅমা ফংবদগী এ আর চান্দেল বট্টালিয়ন্না পল্লেল কম্পেনি কমান্দরগী মখাদা সর্ছ অমসুং রেসক্যু ওপরেসন চথখি। লোয়ননা নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তবদা এ আরগী টিমি অদুনা খুল অদুদা থুংলবা মতুংদা নুপী অদু য়াওনা এন এস সি এন (আইএম) গী কাদর অদু লৈরে হায়বা খংবদগী খুদক্তা এ আরগী ক্রুপশিং অদুনা ফানবা হোৎনবদা এন এস সি এন (আইএম) গী কাদরশিং অদুনা লা রোমদা চেনখি। খুদক্তা এ আরগী ওফিসারনা লুচিংবা টিমি অদুনা তান্নরগা এন এস সি এন (আই এম) গী কাদর অনি অদু ফাখি। *(মখা লমায় ৪দা)*

অতেনবা পাউ

এৱার্নেস কেম্পেন

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ ১৭ শুবা লোক সভা মীখল অসিদা মীপুম খুদিংমক অমত্তা চিংখদনা ভোট থাদনবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না লৌখৎলকপা খোংথাংগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা তাং ৮ দগী ই ভি এম অমসুং ভিভিপি টিগী মতাংদা বিষ্ণুপুরগী মিনি সেক্রেটরিয়েৎতা ষ্টাফশিং অমসুং ভিজিটরশিংদা মল্টি মেদিয়া কেম্পেনশিং লেপতনা চথরি। মসিগী মথক্তা সিষ্টেমেটিক ভোট্টর এদুকেসন এন্দ ইলেক্তোরেল পার্টিসিপেসন (এস ভি ই ই পি) গী এক্টিভিটিজ কয়া কম্পিটিসনগী মওংদা অমসুং ষ্ট্রিট কোর্নর কেম্পেনশিং পাংথোকখ্রে।

মসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ই ভি এম মেনেজমেন্টগী নোদেল ওফিসার এল রাজেন্দ্রোনা হায়খিবদা হৌখিবা নুমিৎ নিনি রোম অসিদা ই ভি এম অমসুং ভিভিপি টিগী মতাংদা মীওই ৫০০ রোমদা এৱার্নেস পীখ্রে। বিষ্ণুপুর বজার, মোইরাং, থাঙ্গা, নিংথৌখোং অমসুং অতোপ্পা মফম কয়াদা এৱার্নেস কেম্পেন মখা তানা চথখিগনি। কেম্পেন অসিগী মনুংদা মরাইবক ফরবা ৩ খনগৎতুনা ফার্ষ্ট প্রাইজতা লিটর ৫গী প্রেসর কুকর, সেকেন্দ প্রাইজতা লিটর ৩গী প্রেসর কুকর অদুগা থার্দ প্রাইজতা লিটর ৫গী রাইস কুকর পীগনি হায়রি।

য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌদা মাংজিল থাগনি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল নোমিনি অমা ওইনা লাকপা মণিপুরগী গভর্নরনা শগোলবন্দ এসেমব্লি কন্সট্যিুয়েন্সিদা ইলেক্তোরেল রোল চনশিনবগী থৌওং অসিনা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীয়ামগী থম্মোয়দা চাওনা নিংবা কায়হল্লে অমসুং ৱাখল ৱাহল্লে হায়না আইন্না থিংখ্রবা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ষ্টেন্দং কম্মিটিগী কোওর্দিনেটর কয়োংহন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা গভর্নরগী থৌওং অসি য়ানিংদে হায়বদু চপ চানা খংহন্নবা হোৎনসি। মীয়ামগী থম্মোয়গী ঈহুল খংহন্নবা হোৎনবদা লুপ অসিনা লৌফম থোকপা থৌদাং খুদিংমক লৌগনি। গভর্নরনা মণিপুরগী ইলেক্তোরেল রোলদা হাপচিল্লকপগী অরোনবা এজেন্দা অদু মীয়ামদা পাক শন্না খংহনগনি অমসুং মীতোপ্পা লাঙ্গোই চল্লক্লবা মণিপুরদা য়েলহৌমী মীয়ামগী কাংখুল মুৎতনবা লুপ অসিনা য়েলহৌমী খুদিংমক্কী ঈহৌদা মাংজিল থাগনি। *(মখা লমায় ৪দা)*

এনপিপিগী ইন্নরদা বিজেপি শৌগৎলগনি আউটরদা থাংমিনলেন মীরেপ ওইরগনি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ ঃ লাক্লিবা ১৭ শুবা লোক সভা মীখলদা মণিপুরদা হৌজিক বিজেপিনা লুচিংবা সরকার অসিদা পুন্না চৎমিন্নদুনা এমএলএ ৪ লৈবগী মনুংদা এমএলএ ৪ মক মিনিষ্টর ওইরিবা নেস্নেল পিপলস পার্টি(এনপিপি) গী ওইনা ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি সিটতা মীরেপ থাদোক্তনা বিজেপিগী মীরেপতা শৌগৎলগনি অদুগা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিটতা এনপিপি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা হান্নগী মিনিষ্টর থাংমিনলেন কিপগেন মীরেপ ওইরগনি।

পার্টি অসিগী ওইনা হৌজিক গুৱাহাটিতা লৈরিবা এনপিপিগী নেস্নেল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মেঘালায়াগী চিফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা চিয়ার লৌদুনা পার্টি অসিগী ওইবা মীফম ফমদুনা লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা ষ্টেট কয়াদা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইগদবশিংগী লিষ্ট ফাইনেলাইজ তৌখ্রে হায়রি।

মণিপুরগী ওইনা এনপিপিগী ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট থাংমিনলেন কিপগেন, মণিপুর সরকারদা ফাইনান্সকী ইন-চার্জসু পুরিবা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ারগী মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমার, য়ুঠ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস অমসুং ৱাটর রিসোর্সেস দিপার্টমেন্টগী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ অমসুং ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলসকী মিনিষ্টর এন কাইশি য়াওনা লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা পার্টি অসিগী মীরেপ থাদোকপা নত্রগা থাদোক্তবগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি হায়রি।

এনপিপিগী মিনিষ্টর খরগী মায়কৈদগী মণিপুরগী ইন্নর অমসুং আউটর সিট অনিমক্তা মীরেপ থাদোক্তবনা ফগনি হায়বগী ৱাফম পুথোরকখি হায়রি। অদুবু পার্টি অসিগী আউটরদা মীরেপ থাদোক্লগা ইন্নরগী ওইনা মীরেপ থাদোক্তবা হায়না য়ানখি। ইন্নরগী ওইনা এনপিপিনা বিজেপিগী মীরেপতা শৌগৎপা হায়না য়ানখি হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউদা লাক্লিবা মার্চ ১৫ দা এনপিপিগী নেস্নেল প্রসিদেন্ট ওইরিবা মেঘালায়াগী চিফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমা মণিপুরদা লাক্কুনা পার্টি অসিগী আউটরদা থাংমিনলেন কিপগেনবু মীরেপ ওইরে হায়না লাওথোকপগা লোয়ননা ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি সিটতা বিজেপিগী মীরেপপু শৌগৎলগনি হায়না লাওথোক্লবা য়াই হায়রি।

এদুকেসন মিনিষ্টরনা এসেমব্লিদা লাইরিক মরাং কায়না ফংহনলগনি হায়খ্রবসু বুক ষ্টোরশিংদা মরাং কায়না ফংহনবা ঙমদ্রি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ ঃ হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা এদুকেসন দিপার্টমেন্টকী দিমান্দ দিস্কসনদা অমসুং ওপোজিসন এমএলএশিংনা হংলকখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা মণিপুর সরকারগী এদুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা ক্লাস থ্রিদগী আইট ফাওবগী বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা পুথোকপা লাইরিকশিং মণিপুরদা লৈরিবা স্কুলশিংগী মহৈরোইশিংদা টেক্সবুক নিংথিনা ফংহনলগনি হায়খ্রগা বুক ষ্টোর অমসুং মহৈরোইশিংদা লাইরিক নিংথিনা ফংহনবা ঙমদ্রে।

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা নমদুনা পুথোকপা মেঠমেটিক্স অমসুং সাইন্স সবজেক্টকী লাইরিকশিং ঙসি মার্চ ১৩ ফাওবদা মহৈরোইশিংদা নিংথিনা মরাং কায়না ফংহনবা ঙমদনা লৈরি। পাউচে অসিনা ইম্ফাল অমসুং মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা বুক ষ্টোরশিংদা কোইনা চৎতুনা থিগৎলুবদা মরুওইনা বুক ষ্টোরশিংদা লৈতে হায়বা লাইরিক অসি ক্লাস থ্রিগী মেঠমেটিক্স, ক্লাস সিক্স, সেভেন অমসুং আইটকী সাইন্স টেক্সবুকশিংনি। মেঠমেটিক্সকী ওইনসু ঙসি ঙরাং অসিদা লাইরিক খরা বোর্দতকী বুক ষ্টোরশিংদা থাদোরক্লবসু মরাং কায়না ফংবদি ওইদ্রি।

ইম্ফালগী পোলোগ্রাউন্দ মনাক্তা অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা বুক ষ্টোরশিংদা লাইরিক ফংদবগী মতাংদা পাউচে অসিনা পাউ লৌরিঙৈদো মশিং য়াম্রবা মীওইনা ক্লাস থ্রিগী মেঠমেটিক্স য়াওবরা, ক্লাস সিক্স, ক্লাস সেভেন অমসুং ক্লাস আইটকী সাইন্স টেক্সবুক য়াওবরা, ফংলবরা হায়না হংবা মীওই কয়া লাকখি।

ক্লাস সিক্স অমসুং ক্লাস সেভেনগী সাইন্স অমসুং ক্লাস আইটকী মেঠমেটিক্সকী টেক্সবুকশিং অসি এনসিইআরটিনা পুথোকপা সিবিএসইগা চপ মান্নবনা মণিপুর বোর্দকী নত্রবসু এনসিইআরটিনা পুথোকপা টেক্সবুক ওইরবসু লৈবরা হায়না লাইরিক লৈবা লাকপশিংনা বুক ষ্টোরদা তোইনা হংনখি। পাউচে অসিনা বুক ষ্টোর খরগা ৱারী শান্নবদা মণিপুর বোর্দনা হোলসেল বুক ষ্টোরনি হায়না খঙনবা লাইরিক য়াম্না লৌবা খরগী খুখাংদগী বুক ষ্টোরশিংদা থাদোরক্লিবা টেক্সবুকশিং অসি মশিং য়ামদবনা লাইরিক লৈবা লাক্লিবা মহৈরোই অমসুং মখোয়গী গার্জিয়ানশিংদা লাইরিকশিং অদু নিংথিনা ফংহনবা ঙমদনা লৈরি। মখোয়না হংলকপা মেঠমেটিক্স অমসুং সাইন্স টেক্সবুকশিং অসি লৈতে, লাক্ত্রি, ফংদ্রি হায়না পাউখুম খুন্নবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইরি হায়না বুক ষ্টোর খরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখি। মেঠমেটিক্স অমসুং সাইন্সকী টেক্সবুকশিং অসি এনসিইআরটিগী পের্টন অমসুং কন্টেন্টশিং অদুগা চপ মান্ননা মণিপুর বোর্দনা নৌনা কোপিরাইট লৌদুনা নম্বগী থবক অদু মতম থেংথনা তৌখিবনা লাইরিকশিং অসি মহৈরোইশিংদা মরাং কায়না ফংহনবা ঙমদবনি। বোর্দতগী লাইরিকশিং অসি লৌনবগী মতম কায়থোক্তুনা লৈবা ঙম্না অমসুং বোর্দকা খঙনবা বুক ষ্টোরশিংনা লাইরিক হেন্না ফংবা ঙমই হায়খি।

এনসিইআরটিগী লাইরিককী কোপিরাইট লৌদুনা নম্বা মণিপুর বোর্দকী লাইরিককী মমলগা এনসিইআরটিগী লাইরিককী মমলগা শরুক তঙ্খায় হেন্না খেন্নে। এনসিইআরটিগী ক্লাস সিক্সকী মেঠমেটিক্সতা লুপা ৫৫ পীবদা মণিপুর বোর্দকীনা লুপা ১২৫ পীরি। *(মখা লমায় ৪দা)*

বালাকোট এয়ার ষ্ট্রাইকতা টেরোরিষ্ট ২০০ হেন্না শিখি হায়বা পাকিষ্টান আর্মিনা য়াজখ্রে

ৱাশিংতন, মার্চ ১৩ঃ জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলৱামা টেরর এটেকতা সি আর পি এফ পার্সোনেল ৪০ হেন্না শিখিবা, কয়া অমনা অশোক-অপন নংহনখিবা থৌদোক অদুগী লমন খুন্না ওইনা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী মেরিয়েজ ২০০০ ফাইটর জেটশিংনা পাকিষ্টানগী লমখৈ লানশিন্দুনা বালাকোটতা চথখিবা এয়ার ষ্ট্রাইক অদুদা টেরোরিষ্ট ২০০ হেন্না শিখি হায়বা পাকিষ্টান আর্মিনা য়াজখ্রে।

গিলগিৎতগী য়ু এসতা বেজ তৌবা এক্টিভিস অমনা ফোংদোকখিবদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা এয়ার ষ্ট্রাইক চথখ্রবা মতুং বালাকোটতগী খাইবর পাখৎতুনখৱাদা মিলিটেন্ট ২০০ গী মথক্তা অশিবা হকচাং পুথোরকখি। পাকিষ্টান্দা উরদু লোলদা ফোংবা 'সেংগে হাস্নন সেরিং' না ক্লেম তৌখিবদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা এয়ার ষ্ট্রাইক চথখ্রবা মতুং পাকিষ্টানগী ত্রাইবেল এরিয়া অমসুং বালাকোটতগী খাইবর পাখৎতুনখৱাদা অশিবা হকচাংশিং পুথোকখি হায়রি। এক্টিভিস অসিনা মহাক্কী ট্যুটরদা থাদোরকখিবা ভিদিও অমদা পাকিষ্টান *(মখা লমায় ৪দা)*

খোঙজং মতম খরগী ওইনা হন্দোকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ ওল মণিপুর ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি স্কিল এন্দ অন-স্কিল লেবর এসোসিয়েসন্না থা ১৮ গী খুৎশুমল ফংদবগী মায়োক্তা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং চঙশিল্লকখিবা অদু মহুদ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী থাজবা পীরকপদগী মতম খরনিগী ওইনা হন্দোকখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরি নাওবোই হেমামনা হায়খিবদা, মখোয়গী থা ১৮ গী খুৎশুমল পীথোক্তবগী মায়োক্তা ঙরাংদগী হৌনা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং অসি চঙশিল্লকখি। *(মখা লমায় ৪দা)*

সলাইনা তোল্লা তারবা মচিন মনাও ২ ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবা মহৈ মশিং তম্বগী খুদোংচাবা পীখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ ইম্ফালগী সগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইদা লৈবা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদনা হৌখিবা চহি কয়াদগী কোর্পোরেট সোসিয়েল রেস্পোন্সিবিলিটিগী মখাদা পায়খৎলকপা থবক থৌশিলগী মনুং চন্না ঙসিসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা জয়পুর খুন্নৌদগী তোল্লা তারবা মচিন মনাও ২ দা সলাইনা চল্লাইবা স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদমি কৌবা স্কুলদা ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবা লেন্না মহৈ মশিং তমহন্নবগী খুদোংচাবা পীখ্রে।

সলাইনা ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবা লেন্না মহৈ মশিং তমহন্নবগী খুদোংচাবা পীখ্রবা অঙাং অসি অমনা চহি ১১ গী নুপী মচানি অদুগা অমনা চহি ৯ খক্তা ঙাইরিবা নুপা মচানি। মচিন মনাও অনি অসি অপোকপা অপোকপিগা লৈমীন্নরম্বদগী ইং ২০১৯ গী জনুৱারিদা অপোকপা লৈখিদ্রবা মতুংদা মচিন মনাও অনি অসিবু য়েংশিনগদবা অপোকপীনা ৱাখল চোইরক্তুনা মীমান্নরক্তবদগী মচিন মনাও অনি অসি অৱাবা ফিভমদা লৈরকখি।

তুংদা জয়পুর খুন্নৌ য়ুথ ক্লব অমদি লমজিং মৈরা পাইবী লুপনা অঙাং অনি অসিগী মরি মতাগা তান্নদুনা জয়পুর খুন্নৌদা লৈবা মবোক থোকপা অমনা য়েংশিন্দুনা লাক্লবা মতুং ঙসি সলাইনা অঙাং ২ অসিবু লেন্না মহৈ মশিং তন্নবগী খুদোংচাবা অসি পীখিবনি।

অঙাং অনি অসিদা লেন্না মহৈ মশিং তমহনগদৌরিবা অসিগী মতাংদা স্মার্ট য়ুনির্ভসেল একাদমিগী স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি এন সঞ্জয়না ফোংদোকখিবদা মরাইবক থিরবা অঙাং অনি অসি সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী চিয়ারমেন অমসুং মেনেজিং দাইরেক্তর নারেংবম সমরজিৎকী চহি ২০ গী মনুংদা মণিপুর অওনবা চাওখৎপা খুন্নাই অমা শেমগৎনবা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌদাশিংগী মনুং চনবনি। *(মখা লমায় ৪দা)*

চাওখৎ থৌরাংগী মীংদা দাম শাজিল্লক্তুনা লোক্তাক পাৎ ১সুং অকোয়বগী শক্তম কায়থরকপদগী লমদম অসিগী ঙামী শিন্মী কয়া শিবা ঙাইনা লৈহৌরি

রোক্কি থোকচোমদগী,

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ মতম মতমগী সরকারশিংগী চাওখৎ থৌরাংগী মীংদা দাম অমসুং বেরেজ কয়া শাজিল্লকপনা মীয়াম্না ফ্রেস ৱাটর লেক হায়না খঙনরিবা লোক্তাক পাৎ অমসুং অকোইবদা লৈরিবা পাৎ, তুরেল কয়াদা ঙা ফাদুনা অমসুং মনা মশিং থাদুনা পুন্সি লেল্লম্বা লমদম অসিগী ঙামী শিন্মী কয়া ঙসিদি লোক্তাক পাৎ অমসুং মসিগী অকোয়বগী ফিভমদা অহোংবা কয়া লাকপদগী ঙামী শিন্মীগী শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা চৈথেং পীদুনা শিবা ঙাইনা লৈহৌরি।

মণিপুর সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্টনা খেলেন থোকচোম ত্রষ্ট, মণিপুর অমসুং সেন্তর ফোর মেদিয়া ষ্টদিস নিউ দিল্লিগা পুন্না খুৎশন্নদুনা থা অসিগী ৭ অমসুং ৮ দা নুমিৎ নিনি চুপ্পা ষ্টেটকী থাক্তা ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা পাংথোকখিবা মেদিয়া ৱার্কসোপকা মরি লৈননা হৌজিক মালেমগী ওইনা অহৈং অশাগী খল কাইথরক্লিবা অসিগী মতাংদা লোক্তাক্কী অকোইবদা লৈরিবা মীওইশিংদা করি করি চৈথেং ফংলিবগে হায়বগী মতাংদা খঙদোক্লবগীদমক পাউমী টিম অমনা অখন্নবা চৎলুবদা থেংনরকখিবনি।

ঙসি মালেমগী ওইনা অহৈং অশাগী খল কায়থরকপা অসিগা মরি লৈননা হৌখিবা চহি ৪ / ৫ অসিদা পাৎকী অকোয়বদা লৈরিবা ঙামীশিংনা ঙা ফাবগী চাং হন্থরকপনা হিংবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লবগী মথক্তা মমাংঙৈদা উরমদবা অনৌবা মখলগী তিল কাং কয়া অমসু থোরক্লে হায়না পাৎ অসিগী অকোয়বদা খুন্দারিবা খুঙ্গাশিংগী মায়কৈদগী পাউমীশিংদা ফোংদোরকখি।

লোক্তাক পাৎ অসিদা তিল্লিবা তুরেলশিংদগী পুথরকপা ফত্ত হাওদি অমদি অমোৎ অকায় কয়ানা ঙসিদি পাৎ অসি মাংখিগদ্রা হায়না মীপায়বা পোক্লরিঙৈগী চৈরক অসিগী মথক্তা ভারতকী অৱাং নোংপোক্তা খ্বাইদগী চাওবা থুমহি চেন্দবা পাৎ অমা ওইরিবা লোক্তাক পাৎ অসিগী অকোইবদা লৈরিবা মীওইশিংনা পাৎ অসিগী ঈশিং শিজিন্নদুনা থক্লুবা মতমদা খোং হাম্বা, পুক নাবা অমদি ফুগ্রি থুংবনচিংবা লায়না লায়ওং কয়াসু মায়োক্লরি হায়নসু খুঙ্গাশিংনা ফোংদোরকখি।

মতম অমদা লোক্তাক পাৎকী অকোইবদা লৈরিবা ঙামীশিংনা পাৎ অসিদগী ঙা ফাদুনা ইমুং মনুং পুনরম্বা অদু ঙসিদি ঙামী অমনা ঙা ফাদুনা লুপা ৫০০ তান্নবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরে। হৌজিক লোক্তাক পাৎকী অকোইবদা লৈরিবা ঙামীশিংগী শেন্মীৎলোন অসি নেমথরকপগী অৱাবা মরক্তা লায়না লায়ওং কয়া অসিনা মরম ওইরগা ঙামীশিংগী শেন্দোং তঙ্খায় অমদি লায়েংবদা চংলি হায়নসু ফোংদোরকখি। *(মখা লমায় ৪দা)*

ইন্দিয়াগী পৱারি ইরকপদা কংগ্রেস য়াওদবা য়ারোই ঃ *গোবিন্দাস*

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ কংগ্রেসনা চহী ৬০ দা তৌরম্বা থবক কয়া বি জে পিনা মমীং ওন্থোক্তুনা মখোয়না তৌবা শাদুনা মীয়ামদা মিনল্লিবা অসি ৱাখল তারবা মীয়াম্না পারা তন্বিবা মতম ওইরে। ইন্দিয়াগী পুৱারি ইরকপদা কংগ্রেস পার্টি য়াওদবা য়ারোই হায়না ঙসি বিষ্ণুপুরদা লৈবা এম এল এ গোবিন্দাসনা মহাক্কী ময়ুমদা কংগ্রেস পার্টিনা চহী ১৫ সাসন তৌরিঙৈদা পায়খৎলম্বা থবকশিং খুঙ্গংদা চৎতুনা মীয়ামদা ৱাখল তামিন্নবগী পান্দমদা চলো পঞ্চায়ৎ, চলো ৱাদ অভিয়ান হৌদোকপগী থৌরমদা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা ইন্দিয়াগী অপুনবগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা কংগ্রেসকী মশক নাইবা অমসুং মশক নাইবী কয়া থৱাইনা পোঙ্গা ওইখ্রবনি। অদুবু বি জে পিগী ওইনদি ইন্দিয়াগী অপুনবা শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা কনা-কনা থৱাই কৎখ্রবগে হায়বসি হংনিংঙাই ওই হায়খি।

থৌরম অদুদা এক্স এম এল এ-এন মঙ্গিনা হায়খিবদা বি জে পিগী সব কা সাথ, সব কা বিকাস হায়বদু সব কা সাথ, সব কা সর্বনাস হায়বদু ওল্লে। ফিভমসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি নত্রগা চীফ মিনিষ্টর চৈরুবগী মথৌ তাদে। নহাশিংনা খুঙ্গংদা চৎতুনা ৱাখল তামিন্নবগী মতম য়ৌরে হায়খি।

হৱাদা লৈরাংদো


অফবা মীহুৎ খনগদবনি। হন্দক্তি লুপা লিশিং ৩ য়ৌদৌরি !!!

এদিটোরিয়েল, লৈবাক্কী পাউ- মপানগী পাউ, ষ্টেটকী পাউ, খঙজিনবদা কান্নবা, থৌদাং স্পোর্টস